# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -২৬

- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -

**দিসেম্বর ২৮,** ২০০০দা শ্রী রাধাবিনোদ কোইজম্না লুচিংলগা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী মেম্বর ১১ লৈবদা ১০ চোঙথোক্লগা মণিপুর রিজনেল কোংগ্রেস পার্টি অমা শেমখি। নুমিৎ অদুদা মণিপুর দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট তৌবা অমা শেমদুনা ওপোজিসনমখৈ পূনশিনখি। নুমিৎ অদুমক্তদা স্পিকরনা আর বিগী কাঙবুবু মশক খঙখি।

কুমজা ২০০১, জন্যুৱারী থাদা সমাটা পার্টিদা য়াওখি। জন্যুৱারী ২৬, ২০০১দা সমাটা পার্টিগী এম এল এ শ্রী বসন্তকুমার ৱাংখেম তাইবঙপাল থাদোকখি।

ফেব্রুৱারী ১০, ২০০১দা মিনিষ্টর ৬ অমসুং এম এল এ ১ দেপ্যুটি চ্যেরমেন প্লান্নিং বোর্দ, পূন্না মখোয় ৮ স্পিকরগী কেম্পতা চেনশিনখি।

স্পিকরনা ফেব্রুৱারী ১৪, ২০০১দা এসেমব্লি মীফম কৌখি।

ফেব্রুৱারী ১৩, ২০০১দা সমাটা পার্টিগী কেম্পতা শ্রী নিপামচাগী কাঙলূপ চেনশিনখি। য়ুনাইটেদ দেমোক্রেটিক এলাইন্স শেমখি। শ্রী রাধাবিনোদ কোইজম্বু এলাইন্স অসিগী লুচিংবা অদুগা ডা. এল চন্দ্রমনিবু দেপ্যুটি লীদর খনখি। শ্রী নিপামচানা ফম থাদোক্লবদা শ্রী রাধাবিনোদ কোইজম্না লৈঙাক শেমগে হায়না ক্লেইম তৌখি।

কুমজা ২০০১গী ফেব্রুৱারী ১৪দা সমাটা, বি জে পি, এম এস সী পি অমদি অতৈ ওপোজিসন য়াওনা পিপলস ফ্রন্ট শেমখি। ফ্রন্টকী লুচিংবা শ্রী রাধাবিনোদ কোইজম্বু খনখি। মণিপুরগী গভর্ণরদা অনীরকশুবা ওইনা মহাক্না লৈঙাক শেমজগে হায়খি। মেম্বর ৪৯না মাবু শৌগৎলি হায়।

কুমজা ২০০১গী ফেব্রুৱারী ১৫দা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রদগী কারকপা শ্রী রাধাবিনোদ কোইজম্বু মণিপুরগী ২৪শুবা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখি। নুমিৎয়ুংবা মতুংদা রাজ ভবন্দা রাজ্যপাল শ্রী বেদ মরৱানা শ্রী রাধাবিনোদ কোইজমদা ওফিস পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌহনখি।

ফেব্রুৱারী ২৩, ২০০১গী নুংথিল পুং ৪ তাবদা শ্রী রাধাবিনোদ কোইজম্না লুচিংবা পিপলস ফ্রন্টকী লৈঙাক অসি কেবিনেটকী থাক্তা মিনিষ্টর ২৪ অদুগা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেটকী থাক্তা মিনিষ্টর ৯ পূন্না মিনিষ্টর ৩৩ হাপচিন্দুনা চাউথোকহনখি।

ফেব্রুৱারী ২৪, ২০০১দা মখোয়না পায়গদবা পোর্টফোলিওশিং য়েন্থোকখি। কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরনা পায়গদবা ফমশিং অদু অসুম্না ওইখি :

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১) | শ্রী রাধাবিনোদ কোইজম, চীফ মিনিষ্টর | - | হোম, ফাইনান্স, দি পি এন্দ কেবিনেট |
| ২) | শ্রী ঐচ ভুবোন | - | হায়র এদ্যুকেসন, লেবর, এমপ্লোইমেন্ট |
| ৩) | শ্রী ও জয় | - | পি ঐচ ঈ দি, লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফ্যেরস |
| ৪) | শ্রী এম হেমন্ত | - | হোর্টিকলচর |
| ৫) | প্রোফেসর গাংমুমৈ কামৈ | - | ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোনমেন্ট |
| ৬) | শ্রী কে ঐচ অমুতোম্বী | - | প্লান্নিং, টুরিজম, কোওপরেসন |
| ৭) | ডা. নিমাইচান্দ লুৱাং | - | হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের |
| ৮) | ডা. ঐচ বোরবাবু | - | আই এফ সী দি |
| ৯) | শ্রী এম থোরি | - | ৱার্ক্স |
| ১০) | শ্রী এম মনিহার | - | ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হাজবেন্দরি, আর্ট এন্দ কলচর |
| ১১) | শ্রী এন নিমাই | - | এদ্যুকেসন (এস) এন্দ এস সী ঈ আর টি |
| ১২) | শ্রী এন জোনাথন | - | সেরিকলচর |
| ১৩) | শ্রী টি ঐচ বিরেন | - | আর দি এস এন্দ পি আর |
| ১৪) | শ্রী এম ওকেন্দ্র | - | পৱার |
| ১৫) | মহম্মদ অলাউদ্দিন | - | মাইনোরিটি এন্দ বেকৱার্দ ক্লাসেস এন্দ কাদা |
| ১৬) | শ্রী হাওখোলেট কিপজেন | - | ত্রাইবেল ৱেলফ্যের |
| ১৭) | শ্রী কে ঐচ বিরা | - | ফুদ এন্দ সিভিল সপ্লাইজ |
| ১৮) | শ্রী এম কুঞ্জো | - | কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ |
| ১৯) | শ্রী ঐচ সনায়াইমা | - | রেভেন্যু এন্দ লোক্তাক দিভলপমেন্ট |
| ২০) | শ্রী এস বিরা | - | এম আই, ফিসরিজ |
| ২১) | শ্রী থাংমিংলেন কিপজেন | - | এগ্রিকলচর |
| ২২) | শ্রী শোচিনকুপ | - | সোসল ৱেলফ্যের, ইকোনোমিক্স এন্দ ষ্টেটিষ্টিক ৱেট এন্দ মিজরস |
| ২৩) | শ্রী এস রাজেন | - | য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস |
| ২৪) | শ্রী এল জয়ন্তকুমার | - | মাহুদ |
| ২৫) | শ্রী কাশিম রুইভা | - | ত্রান্সপোর্ট, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি। |

রাজ্য মন্ত্রিশিং :-

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১) | শ্রী লাইশ্রম কেরানি | - | পি ঐচ ঈ দি এন্দ কোওপরেসন |
| ২) | শ্রী টি মঙাৱাইফৈ | - | আই এফ সী দি এন্দ ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট |
| ৩) | ডা. কে ঐচ লোকেন | - | ফাইনান্স এন্দ হায়র এদ্যুকেসন |
| ৪) | শ্রী এ বিরেন | - | এদ্যুকেসন (এস) এন্দ ফাইনান্স |
| ৫) | শ্রী কে রঞ্জিৎ | - | হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের, এন্দ জে এ দি |
| ৬) | শ্রীমতি দল্লিয়ু লৈমা | - | সোসল ৱেলফ্যের এন্দ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ |
| ৭) | শ্রী দেনি সৈজা | - | ত্রাইবেল ৱেলফ্যের এন্দ হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জাৱ্রেসন |
| ৮) | শ্রী কে ঐচ চন্দ্র | - | এগ্রিকলচর এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট |
| ৯) | শ্রী ঙুরশাংলুর | - | ৱার্ক্স এন্দ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস |

শ্রী রাধাবিনোদ কোইজমগী মিনিষ্ট্রি অসি ১৫-২-২০০১দগী ২০-৫-২০০১ ফাওবদা ওইখি। তাং ২১-৫-২০০১দা ভোট লৌনবদা মায়থীবদগী ফম থাদোকখি।

মে ২১, ২০০১দা চীফ মিনিষ্টর শ্রী রাধাবিনোদ কোইজম্না কনফিদেন্স ভোট অমা পুখৎখি। সেন্তরগী বি জে পি লুচিংবশিংনা সমাটানা লুচিংবা পিপলস ফ্রন্ট মিনিষ্ট্রি অসি শৌগৎনবা পাউতাক পীরকখি। অদুবু ভোট লৌনবা মতমদা মেম্বর ১৭না মোসন অদুবু শৌগৎখি। মখোয়দুদি সমাটা পার্টিগী ১৩, এম পি পি ১, এম এস সী পি (নিপামচা ফেক্সন) ১, বি জে পি ১ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট ১নি। মোসন অদু ওপোজ তৌরিবশিং অদুদি বি জে পি ২৪, এম এস সী পি (চাউবা ফেক্সন) ১০, এন সী পি ২, ফিদরেল পার্টি মণিপুর ২ অমসুং জনতা দল (লোকল) ১নি। বি জে পিগী লুচিংবা আর কে দোরেন্দ্রদি ভোট থাদবা য়াওখিদে। বি জে পিগী ২৬ লৈবগী মনুংদা শ্রী হাওবম ভুবন মতোমতা সেন্ত্রেল লুচিংবশিংনা হায়বা মতুংইন্না পিপলস ফ্রন্টপু শৌগৎতুনা ভোট পীখি।

প্রোগ্রেসিপ দেমোক্রেটিক এলাইএন্স (পি দি এ) অসি বি সী পি ২৫ (আর কে দোরেন্দ্র য়াওনা) এফ পি এম ২, জনটা দল (লোকল গ্রুপ) ১না শাবনি। পি দি এনা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা শেমহন্নবা দাবী তৌরম্মী। অদুবু সমাটা পার্টিনদি মদু য়ারমদে। সেন্ত্রেল লীদরশিংনা মণিপুরগী লৈঙাক শেমলোই হায়রম্মী। অতোপ্পা লৈঙাক শেম্বদসু য়াওরোই হায়রম্মী। পি দি এগী এম এল এশিংনা তাং ২৩-৫-২০০১দা দেল্লিদা চৎতুনা ৱানোন্নবদসু য়ারকত্রে। বি জে পিগী প্রসিদেন্ট শ্রী জনা কৃষ্ণমুর্ত্তিনা তাং ২৫-৫-২০০১দা মখোয়না উনগে হায়বা ফাওবা তাবিখিদে। বি জে পিগী সেন্ত্রেল লুচিংবশিংনা মখোয়না লৈঙাক শেল্লোই হায়বদু হন্না হায়রকখি।

বি জে পিনা লৈঙাক শেল্লোই হায়বদু শেংলবনিনা স্পিকর শ্রী ধনঞ্জয়না তাং ২৮-৫-২০০১দা মাবু শৌগৎপা এম এল এ ৪১গী লিষ্ট অমা গভর্ণরদা পীশিল্লি অমসুং মানা লুচিংবা লৈঙাক শেমহনবীয়ু হায়জরম্মী। মহাকপু পি দি এগী অনৌবা লুচিংবা খন্নবনি হায়রম্মী। মতমদুদা এম এস সী পি (চাউবা ফেক্সন) গী লীদর এম হেমচন্দ্রনসু মঙোন্দা লৈঙাক শেমহনবীনবা গভর্ণরদা হায়জরম্মী। শ্রী ধনঞ্জয়নসু মানা লৈঙাক শেমজগে হায়বদু হন্দোকখ্রে। অদুবু গভর্ণরনা কনা অমত্তদা লৈঙাক শেমহনখিদ্রে। জুন ২, ২০০১দা প্রসিদেন্ট রুল থমখ্রে অমসুং এসেমব্লি মুখৎখ্রে।

প্রসিদেন্ট রুল মতমদুদা অঙকপা পাউ অমা তানরকখি। নাগা লালহৌবগা ইন্দিয়া লৈঙাক্না জুন ১৪, ২০০১দা বেঙ্কোক্তা য়ানখিবা অদুদা সিজ ফায়র অসি টেরিটোরিয়েল লিমিট লৈতে হায়বদি মণিপুরদসু মদু চৎনগনি হায়বদগী মণিপুর মীয়াম্না হৌরক্তুনা জুন ১৮, ২০০১দা য়ানীংদবা উৎখি। হিংসা য়াওরকপদগী এসেমব্লি সেক্রেটেরিয়েট বিল্ডিং, চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো ওফিস, পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ওফিসশিং, এম এল এশিংদা এলোর্ট তৌবা ক্বার্টরশিং (স্পিকরগী ক্বার্টর য়াওনা অমসুং এম পি শ্রী থৌনাওজম চাউবগী ক্বার্টরসু য়াওখি), প্লান্নিং দিপার্টমেন্ট ওফিসসু মৈ চাকপদা য়াওখি। গাড়ী ৫৪সু মাঙ-তাকপদা অমসুং মৈ চাকপদা য়াওখি।

মীওই ১৩ হায়রিবা নুমিৎতুদা থৱায় থাখি, সেক্যুরিটিনা নোংমৈ কাপ্পদনি। অহুমদি সী এমগী ওফিস কাদনি। অতৈনা সরক্তনি। মীওই কয়া শোকখি।

মখোয় ১৩ অসি পূন্না তাং ২০-৬-২০০১দা কেক্রুপাৎতা পোৎলোইখি। অদুবু সী এমগী বঙ্গলো ওফিস মমাঙদা শোকখিবা অমসু লায়কন্নবা ঙমদনা হোস্পিটালদা তাং ২২-৬-২০০১দা লৈখিদে।

লৈঙাক্না কার্ফিয়ু থমজিনখ্রবসু ইম্ফাল এরিয়াদা ঈরাংদি নেম্বা লৈতে। অতোপ্পা মীওই ৪ অমসুং মতুং তারকপদা তোঙান তোঙানবা থৌদোক্তা লৈখিদে। লৈখিদবশিংগী মনুংদা নুপী অমসু য়াওই। অসম্না মীওই ১৮গী পুন্সি লোমখি, মরৈবাক্কীদমক।

থা ১গা মখায় রোম ঈহৌ কনখৎলকপগা লোয়ননা ইন্দিয়া লৈঙাক্না জুলাই ২৭, ২০০১দা বেঙ্কোক এগ্রীমেন্টতগী ৱিদাউট টেরিটোরিএল লিমিট হায়বা ৱাহৈসি লৌথোকখি।

সিজ ফায়র অসি শ্রী রাধাবিনোদ কোইজম্না চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা য়াথোক্লম্বনি হায়না তোকঙা অমা শন্দোরকপদা মহাক্না কন্না য়াখিদে। জুন ২১, ২০০১দা মহাক্না ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিংগা ৱারী কূপ্না শানদুনা ষ্টেটসিগী ওইরিবা ফীভমসি য়ানবা পুরক্লবা হোৎনরি হায়খি।◀◀

# এক্ট ইষ্ট পোলিসিনা মণিপুরদা চাওখৎনবা করম্বা মখলগী থবকশিং তৌরক্কদৌরি

ডা. এন জি মঙ্গি

**ইমা** লৈবাক মণিপুরদা তারিবা দষা-লাংফম ময়াম অসি মপূং ফানা মশাগী ওইনা মরুওইনা পোলিটিকেল ফ্রীদম, ইকনমিক ফ্রীদম্নচিংবা লৈজদবদগী ওইহল্লকপগা লোয়ননা চয়েৎ-খোয়েৎনবা ফীভমশিংগা অনম-অহা চুদুনা মতম শাংনা লেল্লক্লি হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না খঙই। লৈবাক্কী ইস্যু মচাদগী হৌরগা অচৌবা ফাওবশিং অসি লৈখায় তাবীনবা, ৱারোইশিন পুবিরক্লবা অমসুং থবক ওইনা পাঙথোকপীনবা হোৎনবদা সেন্তরদা নোল্লুক্লা নীজবা, তোয়না হায়জবা অমসুং মপূগী য়াথং মতম শাংনা ঙাইবগী চৎনবী অসি চথদুনা লাকই অমসুং অরায়বা থবক ওইদে। করিসু লৈতবা ইস্যু মচা অমগীসু করিগুম্বদা খুরৌ থাংবা, নাখৈ-শেংদবা য়াথং পীরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মদুদা মণিপুর লৈঙাক্লা কুসি-রাসি তৌদুনা মনীংতম্না চিক্লা-ঈংনা ৱায়েঞ্জদুনা লৈঙাক তৌজবা ঙমজদে। হৌজিক হৌজিক ফোঙ-ফোঙ শানা থোক্লিবা ইস্যু মচা অমখক পল্লবদা, লৈবাক মীয়াম অমসুং অপূনবা মহৈরোয়শিংনা শুকয়া য়াদ্রবা, মশক ফাওবা য়েংজনীংদ্রে হায়রবা এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর অসি ফাওবা মফম লৌথোকহন্নবা হোৎনবদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী অয়াবা য়াথং লৌনবা হোৎনবদা মুক্লদুনা অরেম্বদা মতম শাংনা ঈরাং হৌহন্দুনা একাদেমিক এটমোসফ্যেরদা য়াম্না শাথিনা অকায়বা পীদুনা লৈবাক মীয়াম অমদি মরুওইনা মহৈরোয়শিংগী ৱাখলদা নুংঙাইহন্দবা, অশাউবা পোকহন্দুনা ৱাখলগী লায়না পোকহন্নবগী মচাক ওইহল্লিবসিনি।

মণিপুরনা নীংখা তম্না লৈরম্বগী পুৱারী, লৈবাক অসিদা মৈহৌরোন্দগী করম্বা মীওই কাঙলূপ-ফুরুপশিং লৈরকই, অসিগুম্বা য়েলহৌমীশিং অসিগী শক-চু, শকওং-শাদা, লোন-লি, লাইনীং-লাইশোন, চৎনবী-কাঙলোনশিং অসি মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মীশিংদগী পুমখেন খেন্নৈ, মণিপুরগা ম্যান্মার লৈবাক অনীগী মরক্তা থোকখিবা পুৱারীগী থৌদোকশিং অমসুং করম্না ইন্দিয়াদা তিনখিবনো হায়বনচিংবশিং অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থেক-থেক্লা য়াম্না মুন্না খঙলল্লোইদবগী ৱা লৈতে। মরম অদুনা সেন্তরদা চত্তুনা মণিপুরগী পুৱারী অমুক ইনৌ নৌনা লীরুরবদি হিষ্টোরি তম্বীবা লাকপীরিব্রা হায়দুনা হংলক্কনি। মরমদি ইন্দিয়ানা মণিপুরগী নীং-খা তম্লম্বগী পুৱারী তানীংলল্লোই। মদুগী মহুত্তা চঙখোন্না তানীংগদবদি হায়জরকপা, নীজরকপা, সনা-লুপা, শেল-থুম্নচিংবা পুজগে, তোনশিঞ্জগে হায়বসিনি।

মণিপুরগী চাওখৎ খোঙজেল অসি থরোইদগী হেন্না তপহন্দুনা মীরোল কয়াগী পুন্সি হৌখিবনা হানবা অসিনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অচৌবা মীহুৎশিংনা লাক্ল-লাক্লগা চিনবান্দা নোকফেৎ নোকফেৎ তৌদুনা থম্মোয় লকানুংদনা তকসি শোনবা মানবা ৱাশক, ৱাঙাঙ কয়া অমা হেক হেক ঙাঙলিবসি লৈবাক মীয়াম ঐখোয়না চিংনবা পোল্লকই অমসুং তুং কোয়না থাজবা ঙম্লক্কদবা মান্দ্রে। য়াম্না পঞ্জদ্রবসু লম্বী-থোং, মৈ-ঈশিং, চান-থক্লবা, মহৈ-মশীন, শান্ন-খোৎনবা অসিনচিংবা হীরম কয়াগী অঙকপা ফংনা শোত্থরবা ফীভমশিং অসি ময়েক শেংনা তুং কোয়না ফগৎহন্নবগী অশানবা মীৎয়েং থম্বীবা ঙসি ফাওবা উবা ফংদ্রি। ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট পাঙথোকপা য়াবা মতিক চাবা শান্নবুং অমফাওবা থম্বীদবগা লোয়ননা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংদা অচান-মীচান নায়বা মীৎয়েংনা তুমিন-তুমিন য়েংলিবনি। ৱেটলিফটর মোনিকা চনুদা তাখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অদুগুম্না হন্দক অমুক খুমুকচম সঞ্জিতা চনুবু ভিক্টিমাইজ তৌবিরিবসিনি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্তনবা সাইখোম মিরাবাই চনুসু য়াম্না চেকশনবা মথৌ তাই। মখোয় অনী অসি কুমজা ২০২০গী ওলেম্পিক গেমসতা গোল্ড মেদল ফংলবা য়াই হায়দুনা মণিপুর মীয়াম্না শোন্নজরিবনি।

অমরোমদা, মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী স্পোর্টসকী পৱার হাওসনি হায়দুনা টিকি পীজরগা থাগৎতুনা শান্নরি। মণিপুর লৈঙাক্লা পোলিটিকেল্লি নীংতম্লম্লবদি মঙক কঞ্জরিবা ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর অদ্য প্রসাদ পান্দে অসি মীয়ামগী য়েংলগা খুদক্তা ফম থাদোকহন্নবা পাঙ্গল থৌনা লৈরমগদবনি। মতম চানা অসিগুম্বা অরায়বা ইস্যু অসি লোইশিনবীদবা হায়বসি সেন্তরগী থৌৱা ইশা শাবিদবগী খুদমনি। ম্যান্মার গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়াগা য়ানশল্লগা অরানবা মফমদা বোর্দর পিল্লর য়ুংশিন্দুনা মণিপুরগী চাউরবা লমগী শরুক মাঙহল্লিবসিসু সেন্তরনা মণিপুরবু নাচুংবিদে তাকপনি। অমনা করিগুম্বা বেঙ্গলিশিংনা মশীং য়াম্না খুন্দাশনবদগী মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অসি বেঙ্গলি মচা অমা ওইরম্লবদি তরেৎশুবা পে অসিসু পীরম্বা য়ারিবা জাৎনি।

মতাং অসিদা হংনীংবা অমনা মণিপুরগী মাঙলিবা লমগী শরুকশিং অসি সেদ্যুল ত্রাইবশিংনা লৈজবা লমগী শরুকনি। ইন্দিয়াগী মনুংদদি অতৈ ফুরুপশিংনা লৈবা য়াই-য়াদে তৌনরিবনি। অদুবু ম্যান্মারদা নৎত্রগা অতোপ্পা লৈবাক অমদা পীথোকপা মতমদদি সেদ্যুল ত্রাইবকী লমগী ঙাকশেন্নবগী ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনল রাইট অদুদি ইরায় লায়না ককথৎপা ঙম্বা মাল্লি।

ইন্দিয়ানা পাকিস্তান অমসুং চাইনাগা ঙমখৈগী মতাংদা অসুক শাংলবা মতম অসি ফাওবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্নদদুনা অকনবনা অঙম্বা অমসুং অচুম্বা শক্লনবা লানগী শেম শানরিবনি। অমরোমদা ইন্দিয়ানা করি ৱাখল্লোন্দা করম্না মণিপুরবু কাউথোক্লম্লগা ইরায় লায়না মণিপুরগী লমগী চাউরবা শরুক শোকহন্দুনা ম্যান্মারগা তানরগা ঙমখৈগী উখোং য়ুংশিন্নখ্রিবনো? মণিপুরগী লম ইঞ্চি ১ ফাওবা মাঙহল্লোই লাউরম্বদুনা হৌজিক্তি অনৌবা ঙমখৈগী উখোং অমা য়ুংশিন্দুনা কিলোমিটর ৩গী লম মাঙহনবা ঙমই, নখোয়না করি তৌজবা ঙমগনি হায়দুনা অকল-অরিং শীংদুনা লাউবা হৌরক্লে। বাউন্দরি পিল্লর লান্না য়ুংশিল্লকপসিনা মীৎনা উরবনিনা মসিদগী হেন্না শেংবা হ্বাইট পেপর লৈত্রবনি। মরম খরা নৈনরবদা ইন্দিয়ানা মণিপুরদা লুপা ক্রোর লিশীং মাপন তোনশিল্লিবনিনা মাঙখ্রিবা লমগী শরুক অদু সেন্তরগী ওইরবগুম্বনি। অদুনা কুসি রাসি তৌবা য়াই হায়বনি। ইন্দিয়ানা করিগুম্বা খুদোংচাবা খরা ফংনবগীদমক বন্ধপ নৎত্রগা য়োন্থোক্লম্বসু য়ারি নত্রগা য়েক্লবনি খল্লিবা লালহৌবশিং অদু তকথোকপীরক্লবা নৎত্রগা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথবদা খুদোংচাবা পীবিনবা খুদোল পোৎ ওইনা পীরম্বসু য়ারি নৎত্রগা করিগুম্বা খরা খূৎশিন্নরগা নীংতম্লম্বা মণিপুর অসি অমুক হন্না নীংতম্বা হঞ্জিল্লক্তনবা লৈবাক অসি থুগাইনবা পীকশিলহন্নবা হোৎনরম্বসু য়ারি।

ইন্দিয়ানা কোক চিকপা অমসুং নুংনাংবগী মরম খরা লৈরি। মণিপুর নীংখা তম্লম্বা লৈবাক অমা ওইরম্বদগী ইন্দিয়াদা নম্ফুদা তিলহনখিবা, লৈবাক অসিগী য়েলহৌমীশিং অসি ইন্দিয়াগী মীওই কাঙলূপশিংদগী হীরম কয়াদা পুমখেন-খেন্নবা, লৈবাক পীকচরবসু মণিপুরী মচাশিং অসি হৈথোই শিংথোই, লৈবাক মচা তাই, থৌনা লিংজেল লৈ অমসুং শাজৎ লীচৎ ফজৈ। মরম খরা অসিগী মথক্তা নীংতম লালহৌলূপ কয়া লৈরকপা অমসুং মণিপুরদা বোল্লিৱুদ ষ্টারশিংগী ইন্দিয়াগী হিন্দি ফিল্মনচিংবা থিংজিনবনা মণিপুরবু ইথা থাজবা ঙমজদদুনা অফস্পা অসি চৎনহন্দুনা থল্লিবসিনি।

মণিপুর লৈঙাক্লা কলমনা থাঙশাংদগী হেন্না পাঙ্গল লৈ হায়বা পাউরৌ অদুদগী কলম অসি শীজিন্নদুনা মফম লান্না য়ুংখিবা পিল্লর অদু অথুবা মতমদা ফুক্তোকহনবা ঙম্লবদি মণিপুরগী ওইনা য়াম্না লাইবক ফবা ওইগনি। করিগুম্বা মণিপুর লৈঙাক্লা কলম শীজিন্নদুনা 'ইকায়খুম্ন জরিবা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট' গী মফমদা নৎত্রগা 'প্রাইম মিনিষ্টর' গী মফমদা নোল্লুক্লা হায়জদুনা শৈহৌবদা ফীভম তারক্ত্রবদি অরোইবা ওইনা 'ইকায়খুম্নজরিবা লৈবাক মীয়াম' গী মফমদা নোল্লুক্লা হায়জদুনা শোয়দনা শৈহৌরক্কনি। মতাং অসিৱাইদদি শিবা কিদনা থাঙশাংনা কলমদগী হেন্না থৌই  অমসুং নোংমৈনা অমুক থাঙশাংদগী হেন্না পাঙ্গল লৈ হায়দুনা লৈবাক মীয়াম্না অমত্তা ওইনা শৈহৌ অসি পূন্না শকমিন্নরক্কনি। অসিগুম্বা য়াম্না লুরবা তানফম অসিদা লৈবাক মীয়াম্না অদুঙৈ মতমগী তোয়না হায়নবা মণিপুরগী মমিং লৈরবা লেজেন্দরি বোক্সর বাবুসিংগী খূৎ ওই লৈরি হায়দুনা ঙাইথোকপগুম ঙাইথোকপা য়াবা মতম নৎত্রে।

মরম অসিনা মণিপুরগী চহী লিশীং ২-৩গী মমাঙদা লৈরম্বা পাক চাউবা অদু পুৱারী হঙ্গৎনা য়েংবিরগা অশেংবা অনৌবা পিল্লরশিং য়ুংদুনা চপ চাবা ঙমখৈ অমা মণিপুর লৈঙাক অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পূন্না পুকচেল শেংনা য়াৎপীদুনা লাইওইখ্রবা ইপা-ইপূশিংনা থম্বীরম্বা অরিবা মণিপুরগী শক্তম অদু অমুক্তং হঞ্জিনহনবীরবদি মণিপুরগী লৈবাক মীয়াম্না অদুক্কী মতিক হরাউ-তয়াম্বগা লোয়ননা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক অনীবু হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচগনি।◀◀

# মিৎয়েং অমদা - সঙ্গিৎ কলা শঙ্গম খুরাই

ৱাই চীঙ্খেঙানবা লুৱাং

**'আর্ট এন্দ কলচর'**গী হীরম অমদি 'গেমস এন্দ স্পোর্টস' কী লমদা মালেম খুন্নাই পূন্নমক্লা মাঙজিল থাবা তান্নরক্লিবা অসি মীপূম তিংনা খঙনরবা ৱাফমনি। নাৎ/কলচর অমসুং শান্ন-খোৎনবা/গেমস এন্দ স্পোর্টসনা ঈরুপ/নেসনগী চাওখৎপগী থাক লেপ্পরক্লি। ঙসিমক 'আর্ট এন্দ কলচর' অমদি 'গেমস এন্দ স্পোর্টস' হীরম অনী অসিদদি 'দেমোক্রেটিক কন্ত্রি ইন্দিয়া' গী ফিবাল ওইনা শম্বলগী শক্তম লৌরিবা অৱাং নোংপোক চিদাই ঙাক্লিবা পীক্লবা ষ্টেট মৈত্রবাক ঙসি মণিপুর হায়না খঙনরিবা ষ্টেট অসিদা মালেম খুন্নাইনা খুনিং কাঙদুনা য়েংনরক্লি। মিৎয়েং  অসি লাকপদগী ইন্দিয়াগী 'য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট' না পীক্লবা ষ্টেট অসিদা 'স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি' ফাওবদি লীংনবা উরেপ উয়ুং তম্বীখ্রে।

নাকল অমদা - 'নাৎ'/কলচরগী হীরমদদি মঙলান খোঙচৎ ওইরি। হীরম অসিমসু মঙফাওনহন্নবা ষ্টেট অসিগী মীয়াম মরু ওইনা য়েলহৌমী, য়েক ৭কী চীংবু-তম্বুরোই ফুরুপ ৩০গী মতমসিদা লৌগদবা থৌদাং য়াম্না চাউরি হায়জনীংই। (মরমদি-মালেমদা ফাওরিবা, খুনীং কাঙনা য়েংনরক্লিবা নাৎ/কলচর- 'মণিপুর কলচর' হায়বসি য়েক ৭কী ফুরুপ ৩০গী চীংবু-তম্বুরোই মীতৈ-ইমুং অসিগী হৌরকপদা লু-তোংদা নপ্লক্লবা নাৎনি, মীতৈবু মতমসিদা 'মণিপুরী' হায়না চীনবান্থোংদা খঙনহল্লকখিবদগী 'মণিপুরী-কলচর' হায়নখিবনি। ৱাফমসিমদি তেনশিঞ্জগে। কূপ্না থিবিনীংবশিংনা - ইশামক্লা থিজিঞ্জদুনা নৈনজখিবা ৱারোল য়াওবা 'মীতৈ শক্তম' (মীতৈ আইদেন্টিটি) হায়বা লাইরিক মচা অদু নৈনবিয়ু, হেন্না চুম্বা পুথোকপীদুনা 'ঐখোয় কনানো' মালেমদা অমুক্তং তাকমীন্নরমসি। ঐখোয় য়েক ৭কী ত্রেদিসনল কলচর অসিনা মালেমদা তোমথিন ঙাল্লকপদা ঙসি মণিপুর কৌখ্রবা, চহী ৩০০ রোমদমক ঙায়রিবা অসিগী মমিং লৌরিবা নাৎ অসিবু লুমদুনা লাক্লনবা, য়েৎ ৭কী ৱাংমগী মীতোপ, মণিপুর ষ্টেটতা খুল্লিংখ্রবশিংনা, লমহুই লৌশিং তৌরকপা কুম্মৈসু য়েংমিন্নখিসি)। ঙসিমক মালেমদা মশেক মঙাল য়ৈরক্লবা অসিদা, ষ্টেট মীয়াম য়েলহৌ চীংবু তম্বুরোই খূৎশম্নদুনা হেন্না লংখৎহন্নবা পূক্নিং অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা চঙঙি। ষ্টেট লৈঙাক্তা অকনবা ফিরেপ লৌদুনা তকশিনমিন্নবা তঙাইফদবা লৈ।

মতাং অসিদা পঞ্জনীংবদি - ষ্টেট অসিদা 'আর্ট এন্দ কলচর' গী লন্নাই লোইশঙ কয়া লীংদুনা লৈরি, অয়াম্বদি কলা মখল অমমমখক্তা পুথোকপা ওইনা তৌরি। কলা মখল - মথেল কয়া পূন্না পুথোকপদি মশীং লিক্লা লৈরি। য়ামদনা লৈরিবা লোইশঙশিংগী মাঙজিল থাবশিংগী মনুংদা - 'সঙ্গিৎ কলা শঙ্গম' খুরাইসু অমনি হায়না লৌফম থোকপ্রা খল্লি। 'সঙ্গিৎ কলা শঙ্গম' খুরাইদা পোকখিবা শৈশকপা, পুঙয়ৈবা-জগোয়নচিংবা, নাকল অমদনা শুমাং কুম্মৈ/লিলা-ফম্বাক কুম্মৈ/দ্রামানচিংবা, ৱারী লীবা-মোইবুং খোংবা-পেনা খোংবনচিংবা কয়াগী, ওজা ওইনা লৈবাক্লা ইকায়খুম্নবিখ্রবা/বী কয়ানা পূনশিল্লগা ওজাশিং অদুনা লীংবিখিবা কলা লোইশঙনি। ওজাশিংনা মাগী মাগী কলা অদুগী ওজা ওইনা কলা মখল শুনা তাকপী তম্বীদুনা, কলা মখল পূন্ন মক্কী আর্টিষ্ট পুথোক্তুনা লাক্লি।

'সঙ্গিৎ কলা শঙ্গম' কুমজা ১৯৬৪দা পোকখি। মসিগী মমাঙদা খুরাইদা লৈরম্বা মখল অমমমদগী লোইশঙ পূন্নমক লুপশিনখি। কলা লোইশঙ কয়ানা তিন্দুনা ওইরকপনি হায়বসি 'সঙ্গিৎ কলা সঙ্গম' (সঙ্গিৎ অমসুং কলা মখল শুনা তিনবা ইতিনফম) হায়বা মমিং অসিনা 'চূক' ওইনা লেপ্তুনা মালেমদা খঙহল্লি। কুমজা ২০১৫দা চহী ৫০ মপূং ফারদুনা চহী অসিমক্তদা, চহী অমা চূপ্না হায়বদি চহীসিগী দিসেম্বর ফাওবা 'সনা ফুদোংবা থৌরম' (গোল্ডন জুবিলি) পাঙথোকখি। থা অসিগী ৭তা লোইশিন থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা 'সোভিনির' অমা পুথোক্তুনা লৈবাক্তা খুদোল তম্বীখি। শঙ্গম অসিনা ঙসি ফাওবা 'আর্ট এন্দ কলচর' দা শক্লাইরবা/বী আর্টিষ্ট কয়া লেপ্তুনা পুথোক্লি। ইন্দিয়াগী চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা 'রিপব্লিক দে' থৌরমদা ষ্টেটকী রিপ্রজেন্ট ওইনা ১১রক (১৯৬১-৬৪-৬৮-৮০-৮৭-২০০১-০৫-০৬-০৭-২০১০) শরুক য়ারুরে। শঙ্গমগী জগোয় অমসুং পুঙ চোলোম্না অয়েংবা পূন্নমক্কী পূক্নিং চিংশিন্দুনা মায় পাকখিবা ঙাক্তনি। খুদম খরদং পঞ্জবা তারবদা, ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর পন্দিট জৱাহরলাল নেহরুজী, পি এম অটল বিহারি বাজপায়ী, প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়া এ পি জে অবদুল কলাম, ডোনর মিনিষ্টর জি লোয়ননা শঙ্গম আর্টিষ্টশিংগী 'নাৎকী জগোয়' দা মকোক ওইবগী মনা, গভর্ণর ওফ মণিপুর 'গুর্বচন জগৎ' না পীবিদুনা ইকায়খুম্নবিখিবা পনবা য়াই। মসিদা নত্তনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়াদগী ইনভাইট তৌরক্তুনা অখন্নবা নাৎকী ওইবা জগোয়, পুঙ-ধুলোক-ধোল চোলোমগী শো উত্তুনা মিংচৎ পুরকখিবা কয়ানি অমসুং ইন্দিয়াদা নত্তনা ইন্টরনেসনল থাক্তা মনিল লাকপদগী 'মিনিষ্টর ওফ কলচর' গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শক খঙবীদুনা অচৌবা তেংবাঙ পীবিরকপগা লোয়ননা ঙাক্লৌ পীবিরি। সঙ্গিৎ কলা শঙ্গম হোলগী, ষ্টেজগী নোংপাক-নোংচুপ্তা 'গ্রীন রুম' পক্লাগী ওইবা অনী মতিক চানা নীংথিনা শাবিদুনা হোল মপূং ফাহনবীরি।

'সঙ্গিৎ কলা শঙ্গম' ঙসিসু মাঙদা চঙশিল্লক্লি। শাংলবা চহী কয়া, আর্ট মখল শুনা লেপ্তুনা পুথোক্তুনা লাক্লি। হৌখিবা চহী ২০১৭-১৮গী অরোইবা ওইনা 'বসন্ত রাস' মায় পাক্লা পুথোক্তুনা মীয়ামদা খুদোল তম্বীখি। অনৌবা চহীগী পুথোক্লবা মখা চত্থবা হৌখ্রে। মখা চত্থরকপা খুদিংদা মপূং ফাহন্নবা হোৎনবদা কোক্তা খূৎ হাপ্লবা 'সঙ্গিৎ কলা শঙ্গম' ঙাক্লিবা থৌপুরোইশিংগী ঙাক্লৌসু লৈবাক্লা পীবিফম থোকপ্রা খঞ্জে।

লোইশিঞ্জবদা - ষ্টেট অসিগী লৈঙাক মপূরেল 'ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর অমসুং কেবিনেট কলিগ, লোয়ননা এম এল এ' পূন্নমক্লা অমত্তা ওইনা আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা কখোকপগা লোয়ননা 'সঙ্গিৎ কলা শঙ্গম'না হোৎনজরিবা অসিদা পূক্নিং থিঞ্জিনবিরক্লবা মিৎয়েং চিংশিঞ্জনীংই। ষ্টেট অসিদা 'স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি' লীংখিবগুম্না 'আর্ট এন্দ কলচর' গী য়ুনিভর্সিটি অমসু লীংখৎহনবীনবা, লৌখৎপা য়াবা থৌরাং লৌখৎপীরগদি ষ্টেট অসিগী তুংগী মীরোলনা লৈঙাক্লোয় ৬০বু ইরাৎনহৌগনি খঞ্জে। তেংবানবা মপূনা লৈঙাক্লোই ৬০বু থৌজানবীসনু। ষ্টেট মীয়াম্নসু 'সঙ্গিৎ কলা শঙ্গম' বু পূক্নিং থৌগৎপীয়ু। পূন্নমক্কী মিৎয়েং চিংশিঞ্জরি।◀◀